# হুইয়েন লানপাউ
HUEIYEN LANPAO
Refreshingly Reliable
The messenger of the masses


হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী চীফ জষ্টিস রমালিঙ্গম সুধাকরনা জষ্টিস অহন্থেম বিমোলবু কোর্ট অসিগী এদিসনল জজ ওইনা ৱাশক লৌখিবগী শক্তম



লামায় ১

ইনিংথৌগা লোয়ননা লৌখিবা চার্টর ওফ দিমান্দ ৬ অথুবা মতমদা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টতা থাখ্রগনি হায়না কোলিসন ফোর ইন্দিজিনস রাইটস কেম্পেন (সিরকা)গী থৌমীশিংনা ফোঙদোকখিবা



লামায় ৫

সেবা ভারতি মণিপুর অমদি নেসনল মেদিকোজ ওর্গনাইজেসননা পুন্না শীন্দুনা থৌবাল ৱাংমা তাবদা লৈবা ন্যু প্রাইমারি স্কুল কাইরেন্নী চীংখোঙদা পাঙথোকখিবা লেম্না লায়েংবগী কেম্প



লামায় ৪

থৌবাল কিয়াম সিফাই হৈবোং লৈরক্তা লৈবা য়ুম মৈনা চাকখিবদগী অৱাবা তারবা ৱাহেংবম লৈমগী ইমুং-মনুংদা য়ুঠ স্পোর্টিং ক্লব খুন্দোংবম লৈকাই থৌবাল কিয়াম সিফাইনা শেল তেংবাংখিবা




Vol. 43, Issue No.343 | শগোলশেন, লমতাগী ২৬নি পানবা | অপুনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO, | Thursday, March 19, 2020, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50


##### মিনিষ্টর শ্যামকুমারগী দিসক্বালিফিকেসন কেসতা সুপ্রিম কোর্টকী ইন্টরিম ওর্দর

# শ্যামকুমার এসেমব্লি চঙবদা অথিংবা থম্লে, মিনিষ্টর ওইবা খূদক্তগী তোক্লবা খঙহনখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১৮(ঐচ এন এস):

অন্দ্রো এ সীদগী কোংগ্রেসকী টিকেটতা কারক্লগা কুমজা ২০১৭কী মার্চ ১৫দগী লিংখিবা বি জে পিগী চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনগী লৈঙাক্তা মিনিষ্টর ওইবা য়াওশিনখিবদগী থংনবা থা এপ্রিল, ২০১৭তগী হৌরদুনা কন্সটিট্যুসন ওফ ইন্দিয়াগী টেন্থ সেদ্যুলগী মখাদা মিনিষ্টর শ্যামকুমারবু এম এল এ ওইবদগী দিসক্বালিফাই তৌবীনবা ৱাকৎতুনা লাকখিবা পিটিসন ময়ামগী ৱায়েলগী জজমেন্ট অমসুং ওর্দরগী মনুং চনবা অহানবা ইন্টরিম ওর্দরদা সুপ্রিম কোর্টনা মিনিষ্টর অসিবু মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিদা চঙবদা অথিংবা থমখিবগা লোয়ননা খূদক্তগী মিনিষ্টর ওইবা তোক্লবা য়াথং পীখ্রে।

হৌজিক চহী ২ রোমগী মতম ৱাৎলিবা ১১শুবা মণিপুর লেজিস-লেটিভ এসেমব্লিগী মেম্বর অমগী মথক্তা পীরকপা সুপ্রিম কোর্ট ওফ ইন্দিয়াগী ওর্দর (ইন্টরিম) অসি ঙসি কোর্ট অসিগী জষ্টিস রোহিনটন ফলি নরিমান অমসুং জষ্টিস এস রবিন্দ্র ভাটকী কোরম্না পীখিবনি। চৎলিবা থা অসিগী ৪দা লৈবাকসিগী এপেক্স কোর্ট অসিগী কোর্ট নম্বর-৪না পীখিবা দিরেক্সনগী মতুংইন্না ঙসি সিভিল আপিল নম্বর- ৫৪৭ ওফ ২০২০ অমসুং ৫৪৮ ওফ ২০২০গা মরী লৈননা কোর্ট অসিদা ফাইল তৌরকখিবা মিসেলিনস এপ্লিকেসন নম্বর- ৮২০ ওফ ২০২০, ৮২১ ওফ



২০২০ অমসুং ৮২২ ওফ ২০২০ কোর্ট নম্বর-৩দা জষ্টিস অনীসিগী কোরমদা লিষ্ট তৌখি। মিসেলিনস এপ্লিকেসনশিং অসি কোজ লিষ্টকী আইটেম নম্বর ৪, ৪.১ অমসুং ৪.২দা থংননা লিষ্ট তৌখিবনি।

অদুগা মিসেলিনস এপ্লিকেসন অহুম অসিনা এপেক্স কোর্ট অসিনা মিনিষ্টর শ্যামকুমারগী মথক্তা পন্দুনা লৈবা দিসক্বালিফিকেসনগী কেসশিং চয়োল ৪গী মনুংদা দিস্পোজ তৌনবা জন্যুৱারী ২১, ২০২০ দা পীখিবা ওর্দর অদুগা মরী লৈননা ফাইল তৌনরকখিবনি। মসিগী মনুংদা পিটিস্নর ওইরিবা কোংগ্রেস এম এল এ, এম দি ফজুর রহিম অমসুং কে মেঘচন্দ্রগী মায়কৈদগী কোর্টনা পীখিবা মতম অসিগী মনুংদা স্পিকরনা দিস্পোজ তৌদ্রে হায়দুনা অমুক ৱাকৎলকপনি। অদুগা অমনা স্পিকর ট্রাইব্যুনেলগী মায়কৈদগীনা দিস্পোজ তৌনবগী মতম চয়োল ৮গী ওইনা শাংদোকহনবীয়ু হায়জরকখিবনি।

ঙসি কোর্টনা মিসেলিনস এপ্লিকেসন অহুমগী পার্টিশিংগী মায়কৈদা লেপখিবা সিনিয়র কাউন্সেলশিং য়াওনা অতৈ কাউন্সেলশিং অমসুং সোলিসিটর জেনরেলনচিংবনা পীখৎলকপা ৱারোলশিং তারবা মতুংদা ঙসিগী পুন্না লামায় ৪ পানবা ওর্দর (ইন্টরিম) অসি পীখিবনি।

সুপ্রিম কোর্টকী ওর্দর অসিনা হায়বদা, জন্যুৱারী ২১, ২০২০দা পীখিবা জজমেন্ট অদুগী পেরাগ্রাফ ৩ দগী ৭ ফাওবদা কেস অসিগী ফেক্টশিং পনখ্রে। ফেক্টশিং অদুদা এপ্রিল, ২০১৭তগী হৌরদুনা দিসক্বালিফিকেসন পিটিসন ১৩ ফাইল তৌরকখ্রে হায়নসু ফোঙদোকখ্রে। অদুবু পিটিসনশিং অসিগী মতাংদা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী স্পিকরনা দিসিজন অমত্তা লৌদবনি। মসিনা মরম ওইরদুনা থা অমগী মনুংদা স্পিকরনা দিসিজন লৌবা য়ারবা পিটিসনশিং অসিগী মতাংদা ৱারেপ অমত্তা লৌদনা শাংলবা মতম অমা লৈরকপদগী কোর্ট অসিনা জন্যুৱারী ২১, ২০২০দা পীখিবা ওর্দর অদুনা কন্সটিট্যুসন ওফ ইন্দিয়াগী টেন্থ সেদ্যুলগী মখাদা স্পিকরনা ৱারেপ লৌজনবা খূদোংচাবা অমা পীখিবনি হায়রি। কোর্টকী জজমেন্ট অমসুং

...মখা লামায় ৩ কলম ৩

# লন্নাই হোস্পিটালশিংদা আইসোলেসন ৱার্দশিং থম্ননবা সী এমনা খঙহনখ্রে



ইম্ফাল, মার্চ ১৮(ঐচ এন এস):

চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা চেয়র লৌদুনা ষ্টেট অসিদা কোরোনাভাইরস শন্দোরকপা থিংননবা পায়খৎলিবা থৌরাংশিংগী মতাংদা মীফম অমা সী এম সেক্রেটরিয়েটতা পাঙথোকখ্রে।

মীফম অদুদা দিষ্ট্রিক্ট কম্মিস্নরশিং, হেল্থ দিপার্টমেন্টকী ওফিসলশিং, লৈঙাক্কী অমদি লন্নাই হোস্পিটালশিংগী মীহুৎশিংসু শরুক য়াখি। মীফম অদুদা চীফ মিনিষ্টরনা কোরোনাভাইরসতগী ঙাকথোক্লনবা লৈঙাক্কী হোস্পিটালশিং অমদি লন্নাই হোস্পিটালশিংনা করি-করম্বা থৌরাংশিং লৌখৎলিবগে হায়বদু য়েংশিনখি। লোয়ননা লন্নাই হোস্পিটালশিংদসু আইসোলেসন ৱার্দশিং থম্ননবা চীফ মিনিষ্টরনা খঙহনখ্রে।

ষ্টেট অসিদা হৌজিক ফাওবগী ওইনদি কোরোনাভাইরসকী কেস অমত্তা থেংনবা লৈত্রবসু কোলকটাদা থেংনখিবা অসিদা মিপাইবা ৱাফম থল্লদুনা চীফ মিনিষ্টরনা ষ্টেট অসিদা লৈরিবা লৈঙাক্কী অমদি লন্নাই হোস্পিটাল খূদিংমক্লা কোরোনাভাইরস শন্দোরকপা থিংননবা হোৎনবদা নীংথিনা শেম শাদুনা লৈননবা ৱাফমসু থমখি। রিমস, জেনিমস অমদি লৈঙাক্কী হোস্পিটালশিংনসু

### গভর্ণমেন্ট অমদি প্রাইভেট হোস্পিটাল পূম্নমক্তা স্ক্রিনিং সেন্টর হাংদোক্লবা হেল্থ দিপার্টমেন্টনা মরী লৈনবশিংদা খঙহনখ্রে

চেকশিন থৌরাংশিং মপূং ফানা লৌখৎতুনা শেম শারগা লৈননবা ৱাফমসু থমখি।

তুংদা চীফ মিনিষ্টরগী হকশেলগী তেংবাং স্কিমগী মখাদা তোঙান-তোঙানবা হোস্পিটালশিংদা মীওই কয়ামরুম অনা-লায়েংগী কান্নবা ফংহনখ্রবগে হায়বসু য়েংশিনখি। লৈঙাক্কী হোস্পিটালশিংদা স্কিম অসিগী মখাদা লায়েংলিবশিংনা অতাঙবা মমলগী হীদাকশিং ফংহন্দে হায়বা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্লরকপা ৱাফমশিংবু চীফ মিনিষ্টরনা লুম্না লৌবগা লোয়ননা হীরমসিগী মতাংদা মরী লৈনবা হোস্পিটাল ওথোরিটিশিংগী ৱাফমশিংসু তাখি। মতুং তারকপদা স্কিম অসিগী কান্নবশিং মপূং ফানা ফংহনগদবনি হায়বা ৱাফমসু চীফ মিনিষ্টরনা হোস্পিটাল ওথোরিটিশিংদা থমখি।

মখা লামায় ৩ কলম ২

### অহন্থেম বিমোল হায় কোর্টকী এদিসনল জজ ওইনা ৱাশক লৌখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১৮ (ঐচ এন এস):

হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী চীফ জষ্টিস কোর্টতা ঙসি পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা জষ্টিস অহন্থেম বিমোলবু হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী এদিসনল জজ ওইনা ৱাশক লৌখ্রে।

হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী চীফ জষ্টিস রমালিঙ্গম সুধাকরনা জষ্টিস অহন্থেম বিমোলবু এদিসনল জজ ওইনা থবক পুনবগী ৱাশক লৌখি।

থৌরম অদুদা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী জজ জষ্টিস নোবিনসু দেজদা ফমখি। লো মিনিষ্টর এল জয়ন্তকুমার, দি জি পি, এল এম খৌতে অমদি হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী এদভোকেট কয়াসু থৌরম অদুদা শরুক য়াখি।

### ম্যান্মার মচাশিং হলহনখ্রে, ইন্দিয়া মচাশিংদি লৌশিনদ্রি

মোরে, মার্চ ১৮ (ঐচ এন এস):

মণিপুরদা পন্দুনা লৈহৌবা ম্যান্মার মচাশিংদি ম্যান্মারদা হলহনখ্রে অদুবু ম্যান্মারদা পন্দুনা লৈবা ইন্দিয়া মচাশিংদি ইন্দিয়া লৈঙাক্লা লৌশিনবীদনা লৈরি হায়রি।

হৌখিবা মার্চ ৯দা হোম দিপার্ট-মেন্টনা থোকখিবা ওর্দর অমগী মতুংইন্না খূদক্তগী ইন্দো বর্ম্মা বোর্দর সিলদ তৌখিবনা মরম ওইরগা মণিপুরদা কোয়বা অমদি লায়েংবা লাকখিবা ম্যান্মার মচা ৭৪ ঙসি অয়ুক পুং ৯.৩০ রোম তারকপা অদুৱাইদা ইন্দো-ম্যান্মার ফ্রেন্দসিপ ব্রিদজ হাংদোক্তুনা হলহনখিবনি। ম্যান্মার মচাশিং অদুনা হনখিবদা টমু দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালগী মেদিকেল টিমনা ম্যান্মার ইমিগ্রেসন্না ফ্রেন্দসিপ ব্রিদজ মনাক্তা থর্মেল স্ক্রিনিং তৌরবা মতুংদা লৌশিনখি।

নাকল অমরোমদা, ম্যান্মারদা পন্দুনা লৈরিবা ইন্দিয়া মচাশিংনসু ইন্দিয়াদা হল্লকপা পান্দ্বগী ৱাফম কয়া অমা ঙমখে ঙাক্লিবা ওফিসর কয়াদা ফোঙদোক্লকখি। অদুবু লৈঙাক্লা ইন্দিয়া মচাশিং লৌশিনবগী ওর্দর লৈতবনা ম্যান্মারনসু ইন্দিয়া মচাশিং অদু হলহল্লকপা লৈত্রি।

### HL Poll

Q: Leppa leitana shandorakliba coronavirus tagi ngakthok-nanaba Manipur leingakna paikhatliba thourang thou-shilsing asi penningai oibra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes | No

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q: Manipurda surgical mask amadi hand sanitizer ningthina fangdriba asi fanghannanaba leingakna akhannaba thourang loukhathanningbra?

Yes 88% No 12%

### অ ঈং-অশাগী পাউ

খ্বাইদগী শাবা ৩৩.৯৯ °C
খ্বাইদগী ঈংবা ৮.৪৪ °C
মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ০.০০ এম এম
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৫.১৯
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৫.২৫

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩ দা

### অস! লোইরেহে!

- ঐ ভোৎ লেপ্লমদাইগী সোসল ৱর্কর ওঞ্জরে...!



- নহাকপু, হান্না দ্রগ কারবার তৌরম্বা অদু নৎত্রনে...!

# এন পি এফকী হোনরৈখুই কসুং মীরেপচে লৌথোকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১৮ (ঐচ এন এস):

মণিপুরদগী রাজ্য সভাগী সিট অমগী মীহুৎ খন্নবা মীখল থা অসিগী ২৬তা পাঙথোক্কদৌরিবা অসিগী ওইনা মীরেপচে লৌথোকপগী ঙসি অরোইবা নুমীৎতা নাগা পিপলস ফ্রন্ট (এন পি এফ)কী হোনরৈখুই কসুংগী মীরেপচে লৌথোকখ্রে।

কোংগ্রেসকী মীরেপ তোংব্রম মঙ্গিবাবু অমদি বি জে পিগী মীরেপ নিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাওবা মীখল অসিদা লম্বা থেংনগদৌরি। রাজ্য সভা মীখলগী ঙসি মীরেপচে লৌথোকপা নুমীৎতা এন পি এফকী মীরেপ হোনরৈখুই কসুংনা মীরেপচে



হোনরৈখুই কসুং

লৌথোকখিবনি। থা অসিগী ২৬তা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লীদা মীখল অসিগী ভোট থাদনগনি।

...মখা লামায় ৩ কলম ২

##### নেসনল পোলত্রি দেনা লাকপদা

# শেন্মীৎলোন ফগৎহন্নবা য়েন লোইরিবশিংগীদমক্তসু লৈঙাক্লা অখন্নবা মীৎয়েং চঙবগী মথৌ তারে

**ডা. খাইদেম অথৌবা**

ইম্ফাল, মার্চ ১৮(ঐচ এন এস) : অতোপ্পা ষ্টেশিংদগী মখল-মখা কয়াগী য়েন পুশিল্লকপা অমদি য়েনগী মচিঞ্জাক তাংখৎলকপনা লমদম অসিগী য়েন লোইদুনা হিংলিবা মীওইশিংদা চাউনা খুদোংচাদবা মায়োক্লরে। মসিনা মরম ওইদুনা শেন্থোক লৈনবা অমদি ষ্টেট অসিগী শেন্মীৎলোন ফগৎনবগী পান্দমদা য়েন লোইরিবা মীওই কয়া শেল মাঙদুনা মীওই চাদা ৯০ য়েন লোইবা তোকখিবা য়াওনরে। মরম অদুনা লৈঙাক্লা অমদি মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টশিংনা হীরম অসিগী মতাংদা অখন্নবা মীৎয়েং চংহন্নিংই হায়না কংলৈ য়েনশা লৌমী লুপকী সেক্রেটরি অমদি পাখঙবা পোলত্রিগী প্রোপাইটর ৱাকম্বম থোইনা পাউচে অসিদা ফোঙদোরক্লি।

নেসনল পোলত্রি দেগা মরী লৈননা পাউচে অসিগা



অখন্ননা উনবা অমদা ৱাকম্বম থোইনা হায়খি, মপান্দগী পুশিল্লক্লিবা য়েনশিং অসিগী মরক্তা লোক থুংদুনা নারবা য়েন কয়া অহোঙবা

...মখা লামায় ৩ কলম ৪

##### হুইয়েন লানপাউ পব্লিক ওপিনিয়ন

# মীয়াম্না করি হায়রি, করি পাম্লি

**ৱাংখৈরাকপম মাইপাক, নোংমৈবুং পুং মখোঙ**



ষ্টেট অসিদা লৈরিবা চুংশিন্নবা লৈঙাক অসিদা মিনিষ্টর ওইরিবা অমা সুপ্রিম কোর্টনা পীখিবা য়াথং অমনা মিনিষ্টর ফমদগী সিজ তৌখ্রে হায়নরক্লি। থৌদোক অসিনা লমদম অসিগী পোলিটিসিয়ানশিংদা চৎন-কাঙলোন ঙাক্লা চৎনবা অমদি অফবা লম্বীদা পুরক্লবা পারা অমা তম্বীরৱা হায়না খল্লি। অমরোমদা, শেল মরাং কায়না পায়রক্লবদি পোলিটিক্সতা খোঙ থাংজিনবগী মতৌ অসি লমদম অসিগী চৎনবী অমা ওইনা তৌরি। মীয়ামগী মীহুৎ ওইরিবা লমদম অসিগী পোলিটিসিয়নশিংনা শেল চঙদনা মতৌ করম্না মীরেপ ওইরগা মীখল থেংনগনি, মীয়াম্না মীরেপ ওইরিবশিংদগী শেল নিরক্তনবা করি তৌবা য়াই অমদি মীয়ামগী পুক্নিং করম্না পেলহনগনি হায়বনচিংবগী মতাংদা খন্থহন্নিংই। লোয়ননা থবক লৌবা মতমদা করম্বা মীওই লৌরগদি লৈবাক্কী য়াইফবা ওইগনি খল্লগা থবক লৌহন্নিংই। মদুনা থবক তৌগদৌরিবা মীওইশিংদসু হোৎননিংবগী ৱাখল্লোন পোক্কনি হায়না খল্লি।

**নাওরেম ইবোহলবি, নম্বোল নাওরেম**



লৈঙাক হায়বসি মীয়ামগীনি। মরম অদুনা লৈঙাকপশিংনা মীয়ামগী ঈহুল খঙনা থবক তৌহন্নিংই। ঙসি লমদম অসিগী মীয়াম্না ৱারিবশিং অসিগী রেস্পোনসিব্লিটি লৈঙাকপশিংগীনি। মীয়ামগী য়াইফনবা খন্দনা শুপ্নগী মশা-মশাগী অমদি মরী মতা, খঙনবা চান্নবা মীওইশিংগী ওইনা থবক তৌবা কয়া অমা লৈ হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। ঙসি-ঙসিমক পাল্লিবা লৈঙাক অমদি হৌখিবা লৈঙাকশিংদা য়াওখিবা লৈঙাকপশিংনা থবক লৌবদা করপসন তৌহন্নিংদে। অদুমকপু লমদম অসিগী মীয়ামগীসু অশোয়বা কয়া অমদি লৈতবা নত্তে। লৈঙাকপশিংনা পূকচেল শেংনা থবক তৌরবদি শোয়দনা অফবা অচুম্বা লম্বী অদুদা মীয়ামসু ইন্দুনা চৎলক্কনি হায়বগী অচৌবা থাজবা লৈ। মরম অদুনা করপসন ফ্রি ওইবা ষ্টেট অমা ওইহনসি হায়রগদি লৈঙাক অমদি লমদম অসিগী মীয়াম্না পুন্না ৱাশক অমগা লোয়ননা চঙশিনমিন্নবগী তঙাইফদবা লৈ। লমদম অসিদা নোংম-নোংমগী লাইরবা অমদি ইনাকখুনবগী পল ৱাংবা হেনগৎলক্লি। মতম লৈরিঙৈদা মান্নবা খুন্নাই অমা ওইনবা শেমহৌদ্রবদি অৱাবা অমা শোয়দনা ওইরগনি।

অদোমগী মরুওইবা ওপিনিয়ন ৱাটসএপ নম্বর ৯৭৭৪৮০৩১৪৫দা নত্রগা hueiyen_lanpao@rediffmail.com, hueiyen_lanpao@yahoo.co.in দা থাবিরকউ।

# ইনিংথৌ সনাজাওবনা করম্বা ফীরেপ লৌরগা ঈং-তপ্পা হঞ্জিল্লক্কনি হায়বদু খন্থবীয়ু : লূপশিং

ইম্ফাল, মার্চ ১৮ (ঐচ এন এস):

ইনিংথৌনি হায়না লৈরিবা লৈশেম্বা সনাজাওবনা করম্বা ফীরেপ লৌরগা লৈবাকসিদা ঈং-তপ্পা হঞ্জিল্লক্কনি হায়বদু খন্থবীয়ু হায়না অমুকোগী প্রসিদেন্ট ফৈরোইজম নন্দো লুৱাং, ইপসাগী প্রসিদেন্ট জয়চন্দ্র কোন্থৌজম, য়ু পি এফকী প্রসিদেন্ট ৱারেপম সেকেন্দ, হেরিকোনগী প্রসিদেন্ট লোংজম রতনকুমার, সী সী এস কেগী প্রসিদেন্ট জীতেন্দ্র নিঙোম্বা, লিপুলগী প্রসিদেন্ট সোমোরেন্দ্রো থোকচোমনা পুন্না খুৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, নিংথৌনি হায়না লৈরিবা লৈশেম্বা সনাজাওবনা রাজ্য সভাগী এম পিগী কেন্দিদেট ওইনবগী ফীরেপ লৌখিবা অমদি এম পি অমা ওইনা চৎখিবা য়াবগী ফীভমদা লৈরবা অসিনা তুংদা মণিপুরদা ওইহৌগদবা ফীভম অদুগী মতাংদা করি তৌবা য়াবগে হায়বগী মরমদা খন্নমিন্নসি হায়না লূপ তরুক, সী সী এস কে, অমুকো, ইপসা, হেরিকোন, য়ু পি এফ, লিপুলগী মায়কৈদগী মণিপুর রুরেল কাউন্সীল অমদি উত্রা শঙলেনগী থৌমীশিংদা থা অসিগী ১৭কী নুংথিল পুং ৩ দা মণিপুর প্রেস ক্লবতা লাক্লবা অইবা চেরোল অমা মার্চ ১৬ তা পীখি। লূপ তরুক্কী লুচিংবশিংনা প্রেস ক্লবতা রোয়ল কাউন্সীল অমদি উত্রা শঙলেনগী লুচিংবশিং উননবা প্রেস ক্লবতা লাকপা মতমদা মফমদুদা পুলিস লৈরমদুনা মীটিং তৌবা য়ারোই হায়না খঙহল্লকখি। লূপ তরুক্কী লুচিংবশিংনা ঙাইরগা লৈখি। নুংথিল পুং ৪ ফাওবা ঙাইরবা তুংদা উত্রা শঙলেনদগী অইবা চেরোল অমা লূপ তরুক্তা হল্লকখি।

চেরোল অদুদা পল্লিবা মরুওইবা ৱারোলদি, উত্রা শঙলেনগী ফোর্মেল ওইবা মীটিং অমত্তা লূপ তরুক্তগী

...মখা লামায় ৩ কলম ৬

# য়ু পি আর এফ এম : নিংথৌ ফমথোল থাদোক্কদবনি

ইম্ফাল, মার্চ ১৮: চহী ২০০০ হেনবগী পুৱারী অমদি নিংথৌ-রোলশিংগী ফমথোলবু ইন্দিয়াগী এম পি অমগী টর্মগা শিন্নথোক্কে খল্লিবা নিংথৌগী ৱাখল্লোন মালেমগী মীয়াম মমাংদা কংলৈপাকপু ইকায় ফিরুক খুমহনবনি, নিংথৌ ফমথোল থাদোক্কদবনি হায়না লোনা অথিংবা থমখ্রবা য়ুনাইটেদ পীপলস রেভল্যুসনরি ফ্রন্ট ওফ মণিপুর (য়ু পি আর এফ এম)গী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি সেক্রেটরি এল রোলিন এলিয়স থৌপাংবা মৈতৈনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, চহী ২০০০ হেনবগী মশাগী পুৱারী অমদি নিংথৌরোলশিংগী মতীক-ময়াই কয়াগা লোয়ননা সাউথ ইষ্ট এসিয়া লমদমদা মনীং-মখা তম্না পাল্লক্লিবা কংলৈপাকপু হন্দক ইন্দিয়া লৈঙাক্কী থৌইনশিন্না মরম ওইদুনা মশাগী তোপ-তোপ্পা শক্তম অমদি কংলৈপাক্কী পুৱারীবু তুংওইনরল্লগা ইন্দিয়াগী কন্সটিট্যুসন অমগী মখাদা শেম্বা ইন্দিয়ন নেসনগী লৈঙাক্লোনগী মনুংদা য়াওশিন্দুনা শুপ্নগী চহী ৫/৬কী এম পি অমা ওইনবা চোংথোরক্লিবা কংলৈপাক্কী নিংথৌ

...মখা লামায় ৩ কলম ৬

# হোমিওপেথিগী ‘আর্সেনিকম এলবম ৩০’ না কোরোনাভাইরসতগী ঙাকথোকপা ঙমদে: রিপোর্ট

##### সোসল মীদিয়াদা লান্না শন্দোরক্লিবশিংগী মতাংদা ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসননা শেংদোরক্লি

**কৈচা খুমনঙম্বা**

ইম্ফাল, মার্চ ১৮ (ঐচ এন এস):

হোমিওপেথিগী ‘আর্সেনিকম এলবম ৩০’ না কোরোনাভাইরসতগী ঙাকথোকপা ঙমদে হায়না তোঙান তোঙানবা রিপোর্ট কয়ানা ফোঙদোক্লরক্লি। ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসননা পেন্দেমিক ওইরে হায়না লাউথোকখ্রবা কোভিদ-১৯গা মরী লৈননা সোসল মীদিয়াদা কনাগুম্বনা শন্দোক্লিবা অরানবা ৱাফম কয়াগী মতাংদা ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসননা শেংদোরকখ্রে।

মণিপুর লৈঙাক্কী দিরেক্টোরেট ওফ অয়ুসনসু চহী অসিগী জেন্যুৱারী ৩০দা ওর্দর অমা থোক্তুনা কোরোনাভাইরসতগী ঙাকথোক্লবগীদমক হোমিওপেথিগী হীদাক ‘আর্সেনিকম এলবম ৩০’ বু ষ্টেট অসিগী মফম কয়াদা পাক শন্না য়েন্থোক্লবা খঙহনবা লৈখ্রবনি। ওর্দর অসিগী মতুংইন্না ষ্টেট অসিগী



তোঙান তোঙানবা মফমদা লৈরিবা হেল্থ সেন্টরশিং অমদি অতৈ মফম কয়াদা আর্সেনিকম এলবম ৩০ য়েন্থোকপগী থবকসু তৌরি। মীওই কয়ানসু কোরোনাভাইরসতগী ঙাকথোকপা ঙম্লগনি হায়বগী থাজবা অমগা লোয়ননা আর্সেনিকম এলবম ৩০ শীজিন্নরি। ইন্দিয়াগী মিনিষ্ট্রি ওফ অয়ুসনসু আর্সেনিকম এলবম ৩০ অসিবু কোরোনাভাইরসতগী ঙাকথোক্লবা হীদাক অমা ওইনা এদোপ্ট তৌরে হায়না লাউথোকপগা লোয়ননা মীয়ামদা য়েন্থোক্লবা খঙহনখিবা লৈরবনি। পনবা য়াবদি ফেব্রুৱারী ৩দা ষ্টেট অয়ুস সোসাইটি মণিপুর অমদি দিরেক্টোরেট ওফ অয়ুস লম্ফেলপাৎনা পুন্না শিন্দুনা চুরাচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা মফম অমদা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফেয়র মিনিষ্টর এল জয়েন্তকুমারনা

...মখা লামায় ৩ কলম ২




HL-P/6156/15/2-20/3